ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯵, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওক্টোবর ০৫, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৯১ শুবা মশীং

# চীংমী-তম্মীগী কুম্মৈ

## *চাওখৎপা মণিপুর অমগীদমক ঐখোয় নুংশিননা লৈমিন্নসি*

**স্যার** কিলোমিটর ২২,৩২৭ পাক চাউবা মীওই লাক্ষ ২৮ লোম খুন্দারিবা মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসি তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপ ৩৪গীনি। অদুবু মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা মখলগী ফুৰূপকী ওইবা হরাও-কুম্মৈ কয়ামরুম লৈ। কুম্মৈ খুদিংদা কাঙলুপ খুদিংমক্না শরুক য়ামিন্নজরবসু পাঙথোক্লিবা কুম্মৈ অদুদি অকক্লবা ফুৰূপশিংগীনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মীতৈশিংগী নিঙোল চাক্কৌবা, শজিবু চৈরাওবা পনবা য়াই। চিন-মিজো-কুকি কাঙলূপকী ওইনা চবাং কুট, কবুইগী গানঙাই, নাগাশিংগী ওইনা হৌজিক্তা অপুনবা থৌরম ওইনা পাঙথোক্লিবা লুইঙাইনি । নাগা ফুৰূপশিংগী মনুঙ চল্লি হায়জবা কাঙলূপ খুদিংমক্কী তোখায় তোখায়বা নাৎকী ওইবা কুম্মৈশিং লৈ। মণিপুরগী ওইনা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা চীংবুরোয় তম্বুরোয়শিং মতম চুপ্পগী ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগীদমক্তা চীংমী তম্মীগী ওইবা ফজরবা কুম্মৈ অমা থল্লম্মী। অসিগুম্বা মখলগী কুম্মৈ অসি চহী খুদিংগী মেরাগী থানিল (পুর্নিমা) নুমিত্তা পাঙথোকপা মেরা-হৌচোংবগী থৌরম অসিনি। শম্ন া হায়রবদা থৌরম অসি চীংবুরোয় তম্বুরোয়শিংগী ওইবা অমত্তা ঙায়রবা কুম্মৈনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ থায়না মমাঙঙৈগী মতমদা মণিপুরদা নাগা নৎত্রগা কুকি হায়বা কাঙলূপ অসি লৈরমদে। নাগা হায়বা ৰাহে অসিদি বৃটিশনা ইন্দিয়া লৌখ্রবা তুংদা তাংখুল, মাও, মরাম, কবুই, মরিংনচিংবা অপীক অপীকপা কাঙলূপশিং পূনশিল্লগা লৈঙাক চল্লাইবা নুংঙাইনবা ৰাখল্লোনদা থোনখিবা মিংনি হায়না লৌবা য়াই। লমদমসিগী পুৰারীগী ওইবা ৰারী লিক্লমদা চীংদা খুন্দারিবা চীঙমীশিংনা ময়াম্বনি, তমদা খুন্দারিবা কাঙবুনা মনাওনি হায়দুনা লাইওইখ্রবা অহলশিংনা ফোঙদোক্লমই। য়েলহৌমী হায়রগা চীংগীসু তমগীসু সলাই তরেৎ লোইনমক লৈবা কাঙবু অদুবু লৌনরম্মী। সলাই তরেৎ লৈতবা ফুরুপশিং অদু মণিপুরী ওইজরগসু য়েলহৌমী নত্তে হায়না হৌজিকসু লৌবা য়াই। অসুম্ন া চীং অমদি তম্পাক লমদা খুন্দারিবা মচিল মনাও খূদিংমক্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বা চীংমী-তম্মীশিংগী ওইবা কুম্মৈ মেরা হৌ চোঙবগী থৌরম অসিগী ৰাহন্থোক খঙমীন্নবা অমসুং মপুং ফাহনবা হায়বসিনা তামথোক্লবগুম লৈনরিবা চীংবুরোই-তম্বুরোইগী মরী নকশিনহন্নবা ঙমগনি। চীংবুরোয় তম্বুরোয় অনীগী কুম্মৈনি হায়বা অসি কাঙলূপ খুদিংমক্কী ৰাখল্লোনদা চুহনবা ঙল্লবা মতমদা খাইবুং তানবগী ৰাখল্লোন লাপ্পা চৎখিগনি।

ৰাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মেরা-হাওচোংবা নৎত্রগা মেরা-হৌচোংবা হায়না মিং থোন্দুনা কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লরকখি। মতম অমদা চৎনরম্বা খরা পনবা তারবদি মেরা-হৌচোংবগী থৌরম য়াওননবগীদমক চীংদা খুন্দাখ্রবা ময়াম্বা ওইবা চীঙমীশিংনা কুম অসিগী অনৌ-অপেনশিং পুদুনা মনাও ওইরিবা মীতৈশিংনা লৈরিবা তম্পাক লমদা কুমথরকই। মখোয়না পুরকপা অনৌ-অপেনশিং অদু মনাওশিংদা খুদোল ওইনা পী। মনাও ওইবশিংনসু ময়াম্বশিংদা লৈজা লৈজবা পোৎলমশিং পীদুনা অমনা অমদা খুদোল তম্নে। নিংথৌনা কংলামেন তোংবা, তম্পাক লমদা মনাও নুপা ওইরিবা মীতৈশিং অতেক-অকায় য়াওদনা হিংলি হায়বদু অতোংবদা লৈখিবা ময়াম্বশিংনা উজরগা খঙননবা মেরা থাউমৈ চুখৎতুনা অৰাংবা ৰাদা য়ানখৎতুনা চিংখৎলি। তম্পাক লমদা কুমদুনা মনাও নুপা ওইরিবা মীতৈবু উনবা চৎপগী খুদোংচাবা ফংদ্রবা চীঙমীশিংনা মৈঙাল অদু উজবদা মনাও করি থোয়না তৌদে হায়বা খঙজবা ঙম্মী। মতমদুদা নিংথৌনা চীঙদগী লাকপা ময়াম্বশিংবু তরাম্না ওকই। মখোয়না চানিংবা, থক্লিংবা পীজা পীথক তৌই। মখোয়না খুল্লক্তা চৎপদা অপাম্বা পোৎ অমা হেক উবদা পীয়ু হায়বদা পীদবা য়াদে হায়না নিংথৌনা লাউথোকই। অসুম্না নিংথৌনা চীঙমীশিংবু অদুক্কী মতিক নুংশিন্না ময়াম্বা অমগুম্না লোয়নরম্মী হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোকই। মতম অমদা কুম্মৈ অসিগী মরুওইবা খঙনরমদবনা পাক শন্না থৌরম পাঙথোক্লরমদে। হৌজিক্তি মফম কয়াদা মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোক্লরে। মসিনা চীংমী-তম্মী অনীগী নুংশিনবগী লীপুন হেন্না চেৎশিনহল্লগনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা চীংমী-তম্মীশিংগী মরক্তা নুংশিনবগী লীপুন চেৎনা লৈ। কনাগুম্বা খরনা মসিবু থুগাইনবা হোৎনরগা মখোয় মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনৈ। পুৰারীগী তাঙ্কক কয়াদা কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমদা শোয়খিবা লানখিবশিং পাউথংনরগা লৈবাক অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং খাইবুং তাহন্নবা হোৎনরি। মখোয়গী ৰাখল্লোন অমসুং মখোয়না তৌথোরকপা থবকশিং অসিদগী মীয়াম চেকশিনগদবনি। শোয়খিবা লানখিবা য়াওরবসু মচিন-মনাও ওইবগী মরী মাঙদা থল্লগা ঙাকপীবা হায়বসিনা ঐখোয় পূম্নমক্কী অথোইবা লৈতেং ওইগদবনি। মেরা হৌচোংবগী থৌরমনা লাকপদা চাউখৎলবা অনৌবা মণিপুর অমগীদমক ঐখোয় পুনশিল্লসি। মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শীংনরকপশিং ঐখোয় পূম্নমক্না ইন্থোক্তুনা থল্লসি। অপূনবা হায়বদুতনা মপাঙ্গল কনবা ষ্টেট অমা ওইহনগনি অমসুং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরবতদা ইং-তপ্পা ষ্টেট অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থম্মোয়দা লাইনীং ওইনা থল্লসি হায়জনীংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### ঐখোয় খন্থমিন্নবগী মতম য়ৌদ্রিব্রা ?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**আই এল পিগী** ঈহৌ নোংমা নোংমগী মমি শামথরকপগুম তৌরকপা, শোমদনা বিল পাস তৌনবা হোৎনরিঙৈদা মীতোপকী চাদা-নাওদা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা, হৌরিবা ঈহৌসিগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবশিংসু নীংশিংলকপা মতমদতা হেক হেক তৌবা, অনী থোকপী, অহুম থোকপী অসিনসু মরম অমনি হায়বদসু অদুমক লাল্লোই। আই এল পিগী মীওই খরা, সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কন্মিটিগী মীওই খরা, সাউথ নাগালেন্দ পাম্বা খরা, পামদবা মীওই খরা, হোমলেন্দগী মীওই খরা অমত্তা ওইনা পূনশিনবা ঙমদবা অসিনসু মরম অমা ওইরি। ঐনা তৌবনা মফরে খন্দুনা মাগী মাগী দিমান্দ তাল্লিঙৈদা মীতোপকী চাদা নাওদা শন্দোক্লিসিদি উনা-উনা উশিন্নদনা লৈথোক্লি, পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু ঈৰাং লাকপা ঙাইদুনা লৈবা, লাক্ত্রিঙৈদা তৌগে খন দবা অদুম লৈশিনবা, মীচম মীয়াম ঐখোয়সুনি ঐখোয় য়েলহৌমী অসি মুৎখিবা য়ানা লৈরে। মরুওইনা মৈতৈ-মীতৈশিং থম্মোয়দদি অদুম খনবা, তৌথোরকপনা মসিগী মায়োক্তা হেক্তা তৌথোরকপা, পৈশা খরখক্কী নন মণিপুরীদা থবকমক্তা ওইরে হেক্তা নেকথোকপা, অশানবা য়ূমদা লৈহনবা ওইরে নন মণিপুরীদা, মসিদা নত্তনা অঙক-অঙকপা কয়ানি। মমা-মপা লৈজদ্রবা অমদি ওর্ফানদা লৈবা মীতৈ মচা অমা য়োকপগী মহুত্তা নন মণিপুরী চাউবোক ওইনা লাক্লগা হোটেলগী গ্লাস চাম্বা য়াওবা অমবু নুংশিরিনি হায়দুনা মচা শক্লা হেক্তা য়োকপা, য়োক্লবনিনা ভোটর লিষ্টতা য়াওরে, প্রধান/জিলা পরিষদনা রেসিদেন্সিএল সার্টিফিকেট পীরে, দি সীনসু দোমিসাইল পীরে অদুদগীদি মীতৈ নুপী অমা থিবিরে, গভর্ণমেন্টকী জোব অমসু হাপচিল্লে। মসিদা নত্তনা কেনি টনগী মিষ্ট্রি ওইবা অমনা মীতৈ নুপী অমা লৌশিল্লে, ষ্টাফশিংনফাওবা ফংনদবা ক্বার্টরগা লৌদুনা নুংঙাইনা লৈরে। মসিনা কনানা অয়াবা পীরিবা? হায়রিবা মখোয়শিং অদুগী অঙাংদুনা য়েলহৌমী (মীতৈ) ওইগদৌরিবরা, খরদি খন্থবা চুমগনি মীচম মীয়াম্না। অঙকপগী অঙকপমক্তা লৌরবনিনা মমাক-ময়া ওইরে। হুন্দোক্লবা য়াদবনিনা ইঙ্খোল মচেৎ অমা পীরনি, মীতৈ মরক্তা তিনখ্রে, মসিদা নত্তে কয়ামনি। মসি কনাগী মরালনো। মসি খঙনা খঙনা ইখোঙদা শিংজংনা য়ানশিনজবগা চপ মান্নরে। দিমোক্রেসিনি হায়দুনা লাইনীংদি হিন্দুইজম, ঐখোয়না ঐখোয়সি মীতৈনি করিনা তাক্কদগে ইখঙ খঙনদ্রে। অদুনদি আই এল পি চৎনরবসু, য়েলহৌমী কন্নবা এক্ট কয়া অমা শেল্লবসু ঐখোয়না থাংজিল্লিবা খোঙথাং অসি খরা শেমদোকত্রিবমখৈদি ঐখোয় মরুওইনা মীতৈশিং মুৎনবগী মরম ওইগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

ঙাইহাক্কী ওইজবা খরখক্কী ভোট থাদবা য়াহল্লে। ভোট থাদবা য়ারবনিনা ভোট লেপকে হায়রকপা তাবনি, করিগীসু য়ারোই হংবা য়াবা ৰাহং অমনি। মণিপুরদা হৌজিক পাকশন্না মীতোপশিং লাইরিক তমখৎনরক্লে। অদুনদি মমণিপুর লৈঙাক্কী থবকসু এপ্লাই তৌরকপা মশানা তাবনি। মসিগী খুদম হায়ববু মহারাষ্ট্রদগী মহৈরোয় অমনা এন ঈ ঈ ইগজামদা মরিশুবা রেঙ্কতা য়াওরকখি। মহাক মণিপুর বোর্দতা ক্লাস ৰান্দগী লমদমসিগী লন্নাই স্কুল অমদা তমদুনা ক্লাস টেন পাস তৌখিবা মহৈরোয়নি। মণিপুরগী কোটা অমা মুনবা য়াবগী ফীভমদা লাকখি। অদুবু মহৈরোয়গী লূপ অমনা অয়েৎপা পীবদগী মহৈরোয় অদুনা য়াম্না ফজবীদা সেন্ট্রেল পুলদা ওইনা চৎখি। অদুবু মসিসু মণিপুরগী সিট অমদি অদুম মুনখিবগী মওংদি অদুম লৈরি। মসিনা পাড়া অমা ওইহৌরগা ঐখোয় খুদিংমক খন্থবগী, থিজিনহৌবগী মতম ওইরে হায়ববু লাল্লব্রা? অদুনা ঐখোয় মতম লৈত্রে থিল্লবনি। অনী থোকপী, অহুম থোকপী তোক্লসি, হুন্নদুনা মতম মাঙহনবগী মহুৎতা খোঙফম খরা খরা হন্দোক্লরগা লৈবাক্কী লমদমসিগী খরা থল্লসি। ষণগী শজিক্লা হেন্না তাঙলবা লমদমসিগী নুংশিরবা মণিপুরবু হিংগুম হিমাই চুম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী ইচিন ইনাওশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিং অমদি পৱর পায়নীংবনা থোরকপা লমদমসিগী মীয়ামগী মীহুৎশিং খন্থবগী মতম য়ৌদ্রিব্রা?

*অদোমগী - দাও অঙোমজাম্বম, খুরাই সাজে লৈকায়*

# মায় পাকপা মী! ওইনীংদবা কনানো?

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**মায়** পাক্লবা মী - সক্সেসফুল পিপল- হায়বসি কনাবু/করম্বা মীবু কৌগদগে? হায়বসি মণিপুরদদি য়াম্না কূপ্না নৈননীংঙাই, খন্ননীংঙাই ওইরি। মরমদি, পূন্নমক্না য়ানবা, মহাক মায় পাক্লবা মী অমনি হায়না পুথোকপা য়াবা মীশক অমত্তা লৈতরি। মেট্রিক পরিক্ষাদা/সিনিয়র সেকেন্দরি একজামদা মকোক ওইরকপা নহাশিংদু পরিক্ষাদুগীদি তোপ্পরনি, অদুবু, পুন্সিদা মায় পাক্লবা মীশক অমনি হায়রুবদি য়াখিরোই। অসুম্না, ওল ইন্দিয়া সিভিল সার্ভিস একজামদা মায় পাক্লক্লবা মীশিংদু সক্সেসফুল পিপলশিংগী মনুং চল্লক্লেদি হায়ববু, আই এ এস টোপ্পর অমদি অফবা সিভিল সার্ভেন্টশিং - মালেমগী/নেসনলগী থাক্তা মায় পাক্লবা মী ওইনা শীংথানবদা কৈদৌঙৈদা য়াওরক্তে। মীয়ামসিগী ৰাখলদা - মায় পাক্লবা মী হায়বসি মরলনা চীংগুম পৈরবা, মহাক্ল া মরম ওইদুনা মীওই কয়া হিংহল্লবা, মশামক্কী হৌরকফমদি খূমীৎ-খূদাংদগী ওইরকপা, মশামক্কী হোৎনজমল'না মশাগী লাইবক শেমজরকপা মখোয়শিংদু ওইগল্লি। মপা-মপু হাক্তক্তই মরলনা কৈরাক থারকপা, মপাগী মরলনা মিল্লিয়নিয়র ওইরকপশিং-কনানসু শীংথানদে। খ্বাইদগী ঈনাক খুনবা ইন্দিয়ন খরা খনগৎপদা য়াওরিবা মুকেস অমদি অনিল অম্বানি - মায় পাকপা মীথোয়বা খরা খনগৎপদা য়াওদ্রগা মখোয়গী মপা ইবুংঙো ধিরুভাই অম্বানিগী মমিংদি কাউঙমদনা শোন্নরিবা করিগী? জমসেৎজি - টাটা'না 'টাটা' হায়বা মিং অসি ইন্দিয়ন খুদিংমক্কী মচিন্দা পকপা মিং অমা ওইহনগনি ৰাশকখিবদুগুম ধিরুভাইনসু ৰাশকখি - মৈঁ রখ লুঙ্গা মেরি মুথি মেঁ (ইন্দিয়া পূম্ববু ঐগী খুবাম্নুংদা থমগনি), মতমদুদা মমিং চৎপা ক্রাইম-দিটেক্তিব-নোভেল অমা ওইখিবা, 'জেমস হেদলি চেজ'গী 'দ ৰর্ল্ড ইন মাই পোক্কেদ' হায়বদুদগী ক্লু লৌরগা। মহাকথক্তা ঙমখিদ্রবসু মচা হাক্তক্তদি মাগী ৰাহে চুপ্লকখি- মীয়াম্না শেম্বা গভর্ণমেন্ট অসি মাগী মচা অনীগী খূবাম্নুংদা লৈরবগা পাংখক্লি।

মণিপুরদসু অদুগুম্বা নুপা অমা লৈ। হৌখিবা চহী মঙা তরাসিদা পানখিবা লৈঙাক অমদি ঙসি পাল্লিবা লৈঙাকসিগী শেমগৎ-শাগৎ-শেমজিন-শাজিনবগী থবক পূম্নমক মহাক লৈরমদ্রবদি ওইথোক্তবা অমা ওইরমগদবা। মমিংদুদি ইখুৎসিনা ইহনবীরনু। অদোম্না খনবীরিবদু শোয়দনা ওইরম্লগদবনি। মীওই লিশীং (নৎত্রগসু) চা কয়াগী ইমুং মনুংগী হিংনবই পান্থৈ পীবিবা, মণিপুর কৌবা লমসিদদি মহাক নত্তবা অতোপ্পা অমা লৈরম্লোই। পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তসু, মাগী মাগী এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীয়াম্না, চহী মঙা-মঙাগী টর্ম অদু অহুম মরি মঙারক হঞ্জিন হঞ্জিন থাগৎলক্তুনা মায়-পাক্লা-ক্রোরপতি ওইহল্লবা পোলিটিসিয়ন ফনা য়াম্না পুথোকখ্রে। টর্ম অনী-অহুম্লক চীফ মিনিষ্টর ওইহনবসু য়াওখ্রে। অদুবু, মখোয় কনাসু মীয়াম পূম্বনা য়ানবা, কাউঙমদনা শোন্নবা মীশক অমদি ওইরক্তে। মসি করি মরমগীনো? নৈনরুবা কান্ননি। মায় পাকপা হায়বসি, মীশক্তুনা ক্রোরপতি/মিল্লিয়নিয়র ওইরকপদুখক নত্তে। মশাগী লাইবক্কী ময়িদু মশানা ইজরকপদা তৌরম্বা থবক ময়াম অদুসু মরূনি।

'মায় পাকপা' হায়রগা কনাবু করম্না কোনশিন্দুনা নৈনগদগে? মদুসু অরুবা অমনি। মশীং লাকঙমদ্রবা মীওইনি 'মায়-পাক্লবা-মী'গী কাখল মনুংদা চনশিন্দুনা থল্লিবা। কনাবু খন্দোক্লগা, কনাবু লৌখৎলুগনি - পীক্লবা 'থম্মোয়-পাউদম-কাখলসিদা? ইদি কন্না ইনীংলকই - মায়থীবা/মীখা পোনবই ৰাখল নত্তনা, মায় পাকপা/মীকোক থোংবই ৰাখল পোকউ য়াদ্রবা লমদমসিগী মীয়ামসিদা। হায়নৈদনা, 'কনাগুম্বা অমনা খল্লিবা ৰাখলদুগী মখা পোন্না মশাগী লাইবক শেম্লকই।' ঙসিনা অমা, হয়েংনা অমা, হৌজিক্লা অমা হোরেন্না অমা, হোংদোক হোংজিন নাইবা ৰাখলদুদি য়াদবা। লেঙদবা/হোংবা নাইদবা/চপ য়ুংবা পূক্লিং অমনা লমজিংবা ৰাখল ওইবা তাবা।

অদুবু, জেনরেল ওইনা, মায় পাক্লবা মী অমগী মশক লেপপদা ঙসি-য়ুনিভর্সেল্লি য়েংনরিবসি মিৎয়েং মখল মরিদনি-

- লল্লোন ইতিক অমদি শেল-থুমগী লমদা মায় পাকপা।
- করিগুম্বা হীরম অমদা/মশানা পামজবা হীরমদা থোইদোক হেন্দে দাকপা মীথোয়বা অমা ওইরকপা - খুদম ওইনা, সাইন্স, স্পোর্টস, আর্ট অমদি কলচরগী লম অমদা।
- পোলিটিসিয়ন অমা ওইনা, পোলিটিকল সক্সেস ফংলবা।
- অতোপ্পগী ফিদম ওইরকপা অমদি অতোপ্পা মীওই কয়াবু পূক্লিং ইথিল পীবা ঙম্বা।

ময়ামগী মিং খনগৎপদা, মাইক্রোসোফ্কী ফাউন্দর বিল গেটস, গুগলগী কো ফাউন্দরশিং লেরি পেজ অমদি সর্জি ব্রিন, এপল কম্প্যুটরগী মতেংদগী আই-পোদ, আই-পেদ, আই-মেকনচিংবা অওনবা পুরকখিবা, উচি অমবু মালেমগী এন্টরটেইনমেন্ট ইন্দষ্ট্রীগী মরুওইবা ক্যারেক্টর ওইহল্লম্বা ৰর্ল্ড-দিসনি, ফোর্ড মোটোর কম্পেনিগী মপূ হেনরি ফোর্দকী মিং-কনানসু হুন্দোক্লরল্লরোইদবা মিং ঙাক্তনি। মখোয়গী ৰা খল্লুবদা নীংশিংদবা ঙমদে ইনফোসিসকী কো-ফাউন্দরশিং - নরায়ন মুর্তি অমদি নন্দন নিলকেনি। নন্দন নিলকেনি - ২০১৪ পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইখিবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবনি। অনৌবা ইন্দিয়া অমগী মঙ লল্লোনবা পোলিটিসিয়নশিংগী মঙগী হৌফম ওইরিবা আধার কার্দ-মাগী ৰাখলগী পোথোক্লি।

'হেরি পোট্টর' - খ্বাইদগী মায় পাকপা হোল্লিৰুদ ফিল্ম সেরিজ অদুগী অইবী 'জে কে রোলিং' - ইচম চম্বা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ি অমখক ওইরম্বদগী 'হেরি পোট্টর' সেরিজগী লাইরিকশিং অদুনা বিল্লিয়ন্নিয়র ওইহনখি। মাগী লাইরিকশিং মিল্লিয়ন ৪০০গী মথক্তা য়োন্দুনা মালেমদা রেকোর্দ থল্লিবীনি। জে আর আর টোকিঅন, 'লোর্দ ওফ দ রিংস'কী ব্রিটিস অইবা অসিসু কুনশুবা চহীচাগী খনগৎলবা মমিং চৎলবা, মিল্লিয়ন্নিয়র রাইটরশিংগী মরক্তা অমনি। ঙসিমক হিংলিবা, ফেনোমেনন অমা ওইরিবা অইবা খরা খনগৎপদা অমেরিকাগী ষ্টেফেন কিং, ইন্দিয়াগী চেটেন ভগৎ অমদি অসিস ত্রিপাথিগী মমিং, করম্না হুন্দোক্লমগনি?

জোন লেন্নন, মাইকেল জেক্সন, মদোন্না - শৈশকপশিংগী মরক্তা তোমথিন ওইবা শক্তমশিংনি, মায় পাকপই কৈরাক্তা পন্দোল লোম্না কাখিবা। মখোয়শিংদুই মরক্তা বোল্লিৰুদ্দকী 'এ আর রেহমান' হুন্দোকপা য়ারক্ত্রিবনি। অলফ্রেদ হিটচকোক, জোর্জ লুকাস, ষ্টেফেন স্পেইলবর্গ - মাষ্টর ফিল্ম মেকর ওইরম্বতা নত্তনা মরল লৈবা ফিল্ম প্রদ্যুসরশিংসু ওই'ঙমখি। অদুবু, বর্গমেন - আইজেনষ্টাইন-কুরোসোৱা সত্যজিৎ'কুম্বা মরল-হাক্লা পৈরমদ্র'সু মায় পাকপই কৈরাক্তুদি পন্দোল-লোম্না কারমখিবা ফিল্ম-দিরেক্টর কয়া অমসু লৈ, লৈরি, লৈরকখিনি।

মায় পাকপ'ই ৰারী শারকপদা কেলিফোর্নিয়াগী রিচার্দ অমদি মৌরিস মেকদোনাল্ড অনীগী মমিং পন্দনা করম তোক্লনি! ১৯৪০দা কেলিফোর্নিয়াগী ষ্ট্রিট অমদা অচা অথক য়োল্লম্বা, অনৌবা মওংগী পোৎয়োন অমা পুথোকপদা ঙাওজখিবা মচীন-মনাও অনীনা ১৯৪৮দা 'মেকদোনাল্ডস' হায়না মিংথোনবা রেষ্টুরেন্টশিং চেইন অমা শেম্লগা, মমিং শানবগী অশান'মল (পর্সেন্টেজ) লৌবগী চৎনবী হৌদোকখিবদুনা অতোপ্পা বিজিনেস কয়াগী লম্বী ফাৎখিবা-ৰারীনরি ঙসিসু।

চুজাক কবোক য়োনবা অমেরিকান 'ওর্ভিল রেদনবেচর' না মহাক্কী 'রেদ বো' (অঙাংবা লীরুং) মিংথোনবা 'পোপ কোর্ন'- ইন টরনেসনল ব্রান্দ করম' ওইহল্লকখিবা, শাংলবা ৰারী অমনি। ৰারীদুনি - মায় পাকপ'ই ৰারী হায়বদো। কার চাম্বা য়াওরগা, ইন্স্যুরেন্স এজেন্ট ওইরগা হিংনবই লম্বী থিরম্বা 'শিব খেরা' - ইন্টরনেসনল মোটিভেটর ওইদুনা, মাগী ৰাহে খরদুখক তানবা দোল্লর লিশীং কয়া পাম্মুবা খুঙদা তিংথোরক্লনি - থাজরম্বগে কনানা? রেলৰে ষ্টেসন'দা চা য়োল্লম্বা নুপা অমনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা, মালেমগী শক্তি লৈবা মী তরাগী মনুং চল্লক্লনি, ইমুং মনুং মরী-মতা পূম্নমক তুংওইনদুনা লৈপাক্কী মী ওইরক্লনি - খল্লুদবনি কনামক্তনা।

অসুম্না, লাইবক মথক মখা ওন্থোকখিবা, মায় পাকখিবা মীশকশিংগী মনুংদা, ঐনা কাউঙমদবা মীশক অমগা লৈ। মহাক অদুদি - মীগী মফি মরোল শূরগা, কোনয়াই (ইষ্ট্রি) তক্তুনা মতু-মচা থাক্লম্বা নুপা অমনা 'অইবা' (রাইটর) অমা ওইনীংলকখিবগী ৰারীনি। থবক ৰানা শূরুরগা অথেঙবা অহিং কয়াদা থৰায় হকচাং লুপ্তুনা ইখি থম্মোয় শোক্লবা, অৰা-নুংঙাই, অকি-অখং য়ান্নবা ৰারী কয়া। পল্লিসর কয়াদা ফোঙবীনবা থারুবা, অমগী মথংদা অমা মথং মথং রিজেক তৌরকখি। আশাগী ময়োল কংলকখি। 'ঐ অমুক হন্না, অইবা ওইগে খল্লরোই' - মাগী নুপীদা হায়রম্লগা ইকোন-কোন্না ইবা উপন্যাস'তু অমোৎ অকায় মরক্তা লংথোকখি। 'অসুক শাংবা লম্বী অমা লাক্লগা পম্ভুং য়ৌরমদাইসিদা করিগী তোক্কদৌরিবনো' ... মাগী নুপীনা লাইরিক অদু খূনগৎলগা 'বিল হোম্পসন' (পব্লিসর) দা থাখি। মহাক্লদি হায়খি 'কান্নদবা থবক্তু তৌরনু'। দোল্লর ২৫০০গী এভান্স চেক অমা 'থোম্পসন পব্লিকেসন হাউজ'তগী ফংবদা, মতৈ-মনাও অনীদু অমনা অমদা মীৎচি পাউখোং চন্নখি। নীংশিংবীবরা, অইবদু কনানো? লাইরিক্তুনা করম্বনো? কোপি মিল্লিয়ন মঙা হেন্না য়োনখিবা লাইরিক অদু হোরর-ক্লাসিক অমনি শীংথানরিবা 'কেরি...' নি। অসুম্না পোকখি অমেরিকান রাইটর 'ষ্টেফেন কিং'।

মায় পাকপা হায়বসিগীদমক নীংহন্নদবা হায়বসি খ্বাইদই মরু ওইবনি।

# অনৌবা মায়ওন ইম্ফাল ইভনিং (নাইট প্লাজা)

**সোরোক নোরেন**

**কদাইদগী** কমদৌনা মোংলকখিবা ৰাখলনো খঙহৌদবনি। অদুবু অহৌবা নুমিৎ ওক্টোবর ২, ২০১৭, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদগী অমা লাক, অনী লাক, অহুম লাক অঙকপা অমা ওইনা তিনখিবা মীয়ামনি। অহানবদা নাইট প্লাজা কৌনবা থৌরাং হৌরল্লবসু অরোইবদদি ইম্ফাল ইভনিং হায়না ওফিসিয়েল্লি ওনখ্রে। ইম্ফাল ইভনিংনা কোল্লিবা মফম অসি নিত্যাপাৎ চুথেক গভর্ণর মমাঙদগী খুয়াথোং পি দল্লিয়ু দি মমাঙ ফাওবনি। মফম অসিগী মমাঙ থংবা শরুক অসিমখৈদা ইলেক্ট্রিক পোল অমদগী পোল অমা ফাওবগী মরক্তা ষ্টোল অনী অনীগী লম পীরগা মীয়ামগী নুংঙাইনবা শেম্বা প্লাজা মখল অমনি ইম্ফাল ইভনিং।

শাংলবা লম্বেল চৎনবা হোৎনবদা অহানবা খোঙথাংগী তঙাইফদবদুনি ঙসি অহৌবা নুমিৎনা থাংলিবা। হৌখিবা চহী কয়া অসি নুমিৎ তাবা হায়বা ৰাহে অসিনা পুনশিন্দুনা থল্লল্লবসু ঙসিদি ইম্ফালগী অকোয়বা খরা অসি থাদোকপা হৌরে। লাক্লিবা মীয়াম মশাদা মোমোন মীনোক ঙাক্তনি লোইনরক্লিবা। অসিগুম্বা মকা লাল্লবা মোমোন মীনোক্কী পাউখোঙ ঙসিগী অনৌবা লৈঙাক্লা ইম্ফাল ইভনিংদা পীরিবা পাউজেল অসিদি তরাম্না ওকফম থোকই। মসিমক্লনি পোন্দা ফাজিন্দুনা থল্লুরবা উচেক্লুম নুমিদাংগী পুং ৭তগী মনীং তম্না পাইথোকখিবা নুংশিরবা ইরৈচাশিংগী পুন্সি মরেলগী অনৌবা মহাও। অশেংবনি ইম্ফাল ইভনিং অচুম্বা খোঙথাং অমা ওইনবা হোৎনবা তঙাই ফদে। ইভনিং অসিদা ঐখোয় পূম্নমক্লা নৎত্রগা ঐখোয় খরনা অরানবা মিৎয়েং য়েংবদি চুমগনি নীংদে। মরমদি ইম্ফাল ইভনিং অতোপ্পা কনাগীসু নত্তে ঐখোয় পূম্নমক্কীনি। অহৌবদা মপূং ওইরিবা গ্রেটর ইম্ফালগী ওইজরবসু তপ্পা তপ্পা লাপথোরক্লবগী আশা শোয়দনা লাক্লনি নীংই। ইম্ফাল টু থৌবাল, ইম্ফাল টু বিষ্ণুপুর, মোইরাং পুঙ্খায় পুংমুক্তগী জর্নিনি লন্নাই ওইনা থৌবদা। নুমিদাং অথেংবদা থেংল-থেংলগা লাইরিক পাবগী নুংঙাইবা ফংবগী মহাওদু নুমিদাংগী পুন্সিদসু ফংবা ঙম্ব্রা য়েংনবা হোৎনবা অকনবা খোঙথাংনি। য়াম্না ইংনা শান্তি ওইনা হৌখিবা ইম্ফাল ইভনিং তুং কোয়না ইংনা লৈহৌনবা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং লৈ। থৌওং অসিনা ঙসিদি শান্তিগী লম্বী হঞ্জিল্লক্লবগী চাউরবা মতেং অমা শোয়দনা ওইগনি খল্লি। শান্তি হায়রিবা পোৎশক অসি মীচম ঐখোয়গীনি। লৈবাক্কী অচৌবা খুদোংথিনিঙাই ওইনা থোক্লকপা য়াবগী খুদম ফংলবকান্দা তঙাইফদনা সী আর পি সীগী ধারা ১৪৪ অমদি হেন্না খুদোংথিবা হেনজিল্লকপগী খুদম ফংগদৌরিবদি কার্ফিয়ু থল্লক্লিবসি কনাগী মায়োক্তনো। মীচম ঐখোয়গী মায়োক্তনি। কার্ফিয়ু থল্লিবা ফোর্স খুদিংমক্তদি চৎনবী অসি মপাঙ্গল য়াওদে। কার্ফিয়ু মনুংদা দেপ্যুটি কন্মিস্নার অমনা মাবু ঙাক শেল্লিবা খোঙবু ময়ামগা লোয়ননা লাকপদা অপনবা অথিংবা থোইদোক্লা লৈতে।

কার্ফিয়ু মনুংদা অৰাবা তারিবদি মীচম ঐখোয়খক্তনি। অদুনদি ঐখোয় মীচমগী পুন্সি ঐখোয় ইশানা শেমদোকচবা তাই। ঐগী পুন্সি শান্তি লৈনা হিংনবা ঐখোয় পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নবা চঙই। মদুগী থাক অদু য়ৌনা ঐখোয় পূম্নমক্লা লেংদনা লৈমিন্নবগী তাঞ্জা অদু হন্দক্কী নাইট প্লাজা অসিনা অহৌবা ওইরগা তুং কোয়বা ওইসনু। হৌবদা ঙাইহ্রবসু অহৌবা নুমিৎ অদুদা মীয়াম্না পাল্লে হায়বদি লাক্লিবা মীয়াম্না শাক্কি ওইরে। চঙথোক চঙশিন হায়বা অমা অমুক লৈতনা চৎনীংবা-চঙনীংবা মফমদা চঙবদা অকক্লবা ফী হায়বা অমুক লৈতে। তঙাইফন্দনা ষ্টোল হাংলিবা মীওইশিংগীদি ষ্টোলগী মমল খরদি লৈঙাক্তা কারি। য়াম্না ফজবা পাড়া অমা ওইনা প্লাজা হাংগদবা পুংমুক ৰাৎলিঙৈদা ষ্টোল ফমগদৌরিবা মীওইশিংদুনা ষ্টোল অদুদা চঙগদৌরিবা পোৎ চৈ পূম্নমক শেম শানবা অমদি পুরক্লবগী তাঞ্জা পীরি। অদুগা ষ্টোল লোইহ্রবা পুং ১০গী তুংদা অমুক ঙসাই মানা মানা পুরক্লিবা পোৎ চৈ পূম্নমক অমত্তা চিংথদনা পুখিগদবনি। হায়বদি মীয়াম্না চৎনরিবা য়াম্না মরুওইবা সহরসিগী লম্বী অমা ওইবনা ষ্টোলগী মতম লোইবগা মহৌশাগুম ইহাং হাংনা থম্বগী তঙাইফন্দবা লৈ। অদুবু ষ্টোল হাংলিবা মীওইশিংদদি অচৌবা অরুম্বা পোৎলুম অমনি। শুপ্পগী পুং অহুমখক্কী মতম অসিদা পুন্সি মতেক অমা শাগৎনবগী তঙাইফন্দবা পোৎচং কয়ামরুম অদু পুরক্লবা হোৎনবা অমদি হনখিবদা অমত্তা চিংথদনা পুনবা হোৎনবা। করিগুম্বা পোৎচঙ অমা নৎত্রগা পোৎচাক অমা কাউরম্বা তাবদা পাঙথোক্লীংলিবা পোৎকী মগুণ ফংবা ঙল্লোইদৌরিবনি। মরুওইনা ষ্টোলগী ওইবা টেন্টকী পোৎচং মীয়াম্না ফম্ননবা টেবল-চৌক্রি, থোং-থাক্লনবা অকুপ্পা পোৎচং ময়াম অমা। হায়বদদি কয়া য়াম্না লাইবা। অদুবু অনৌবা পুন্সিগী নুমিদাংৰাইরম অমা ফংনবা হোৎনবনিনা তরু তানন্দবসু য়াদে। তরু তান্নবা হোৎনবদা ফত্ত-হৌদি পূম্নমকসু মফম খঙদনা লংথোকপা য়াবসু নত্তে। নাকল অমরোমদা ইম্ফাল ইভনিংগী মহাও অসি অঙানবা মৈরক্তা নিত্যাপাৎ চুথেক মচিন্দগী পি দল্লিয়ু দি মপা ফাওবা খোঙনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলগা লোইহ্রব্রা? ইভনিং অসিদা মীয়াম মরক্কী নুংঙাইবা লৌগে হায়রবদি অপাম্বা মখলগী মীৎমাংদা শেম শাদুনা থোং থাকপা অদুগী মহাওসু তঙাইফন্দনা তংবা তাই। য়ূমগী ইখূৎনা থোংবগী মহাওগা নাইট প্লাজাগী অইংবা নুংশিৎ মরক্তা চাবগী মহাওগা খেন্নবসু লৌবা তাই।

তশেংনা অনৌবা লৈঙাক্লা শেম শাদুনা অনৌবা মওংদা হোৎনরিবা ইম্ফাল ইভনিংগী মফম অসিদি খ্বাইদগী মফম চাবনি হায়নীংই। মরমদি খ্বাইদগী মরু ওইখ্রবা মফম অমনি ইম্ফাল ময়োলগী। সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংলগসু মসিদগী হেন্না খুদোংচাবা অমা অমুক লৈররোই। লম্বীগী মনিং থংবদা সিক্যুরিটিগী ইচিল ইনাওশিংনা অসুক্কী মতিক চেকশিন্না ঙাক শেল্লি। প্লাজাগী মমাঙ থংবদনা পূক্লিং হুনিংঙাই ওইরবা কংলা পাৎকী ঈশিংনা পূমলং লংলি। গাড়ী থম্ফমসু মখারোম থংবদা নুপীলালগী অৰাং পরেং, অৰাংলোমদা দি এম কোলেজ গেটলোম থংবা য়াম্না মফম চাবা ঙাক্লি। কনাগুম্বা খরনা প্লাজা অসি বর্ম্মা রোদকী য়ুনিভর্সিটি মনাক, মালোম, তেরা হায়রিবশিং অসিগা চাংদম্নবদা হৌজিক তৌরিবা কংলা পার্ক মনিংসিনা হেন্না মফম চাবনি হায়নীংই। হান্ননা নুমিৎ খুদিংগী নোংমদা অয়ূক নুমিদাং শেংদুনা নান্ননবা হোৎনরিবা মফম ওইবনিনা দসবিন নত্তবদা কনাসু ফৎতবা থাদবা থেংনরক্তে। প্লাজাগী পেরিওদ মনুং ফাওবদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা দসবিন নত্তবদা ফত্তবা লংথোকপা উরক্তে। প্লাজা লোইখ্রবা ফাওবা করিগুম্বা অমোৎ অকায় মফম চাদনা তাহৌবা পংথেং থেংনরক্তে। ষ্টোল মশা মশাগীসু দসবিন অয়াম্বা পুনরকই। লোয়ননা প্লাজাগী ওইনসু লৈঙাক্লা মফম চাবা মীয়ামগী য়েংদুনা দসবিন মরাং কায়না থমদুনা দসবিনগী হৈনবী মপূং ফাহল্লি। তৌবা হায়ববু ওক্টোবর ৩, ২০১৭কী অয়ূক্তদি মীয়াম্না চাইরে হায়না লৌরগসু ঙরাং নুমিদাং নাইট প্লাজা তৌখি হায়বগী খুদম মচেৎ অমতা উবা ফংখিদে। তশেংবনি হৌজিক্তি মীয়াম য়াম্না ৰাখল তানরে হায়না লৌবা য়ারে। মরুওইনা অসিগুম্বা মফমসিদা শিল শিল্লগা অচৌবা লূ-নান্নীংবগী পাড়া ফারকপসু য়াই। দসবিন মখোঙদা চাইখায়রল্লে হায়বদুদি তশেংনা তৌগে য়াওনা তৌরম্বনি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে ওক্টোবর ২, ২০১৭কী নুমিদাং পুং ৭তগী পুং ১০ ফাওবা ইম্ফাল ইভনিং (নাইট প্লাজা) তৌখি হায়বা কাউরে মফম অদু উবদা। অদুবু অরাপ্পা লমহাংদা তৌরবদি হেন্না শাথিনা মোৎশিল্লক্লনি অমসুং হুন্দোকফম মফম খঙলক্তবা য়াম্না য়াওরক্লনি। খুদম হায়ববু হিয়াংথাং বর লাই খুরুম্বা লোইখ্রবসু হিয়াংথাংগী অকোয়বা খোমজিনবা য়াদনা হৌজিকসু চাইদুনা লৈরি। মরম অদুনা ইম্ফাল ইভনিংনা হেন্না মোৎশিলহল্লি হায়বা ৰাহৈসিমদি ময়াম চঙদুনা লৌথোকমিন্নসি। মরুওইনা ঙসি ইম্ফাল সহরদি স্মার্ট সিটি ওইনবগী অচঙবা সহর অমগী মনুং ওইনা য়াওরিবনি মীয়াম্না অমুক্কসু নীংশিংবীফম থোকই।

চুমই শান্তিগী ৰাফম ঙাক নত্তনা ঐগী ইরমদম ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মকোল অমদি চাউনা লৈরি। নুমিৎ খুদিংগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মরমদা ফাদোক ফাজিনগী অচৌবা সমস্যা কোকহনবা ঙমদ্রি। লমদম অসিগী নহারোল রিহেবিলিটেসনগী মথৌ য়াম্না তারি। লৈসু লৈরি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুরবা নহারোল কয়াবু মমাই চুম্বিনবা অখঙ অহৈ কয়া। মদুমক ওইদুনসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা থিংবদি ঙমদ্রি। অদুবু মীয়াম্না য়াম্না লাংতক্লখিবা নাইট প্লাজানা হেন্না খুদোংথিগনি হায়না পানখিবদুদি অমা ফাওবা চুমখিদে। ইম্ফাল ইভনিংগী অহৌবা নুমিৎ ওইজরবসু লাক্লিবা মীয়ামদুগী মনুংদা অপীকপা অঙাংসু ফনা য়াম্না য়াওই অদুবু অঙাং মচা অমত্তা খুদি থিখি হায়বা পাউ অমত্তা ফংখিদে। হুরান চিন্থিগী ওইনসু কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমত্তগী পোৎমাং চৈমাং তৌদুনা শম্ফাবী মচা অমফাওবা তাহৌবগী পাউ ফংদে অমসুং মীয়াম্না চিংনরিবা পাখঙ লৈশাবী অমত্তসু মনা পুংলবা উপালশিংদুগী মরুমদা ওভর দোজগী খুদম ফংখিদে। খৎন-চৈনবা থোকখিবগী পাউ অমত্তসু তাখিদে। খোন কন্না ঙাঙনখিবা হায়রগদি রংগিলাল অমদি মীয়ামগী হেপ্পি রাজেন্না স্বাছ ভারত মিসনগী মতাংদা ঙাঙনহৌবদি তারকই। অসিগুম্বা থৌদোক অসিখক নত্তনা অহৌবা নুমিৎকী নাইট প্লাজাদি য়াম্না ইংনা পাঙথোকখি হায়বা তাই।

অদুবু থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্লোই হায়বদি কনানা ঙমগনি। থোক্তবা ওইসনু অমদি থোক্তনবা ঐখোয় ময়াম চঙদুনা হোৎনমিন্নসি। মীয়াম তিনবা মফমগী অনানবা মফম অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা নাইট প্লাজা অসিবু মপূং ফানবা হোৎনরিবা মাহুদ দিপার্টমেন্টনা অহানবা নুমিৎকী ওইনদি মোবাইল টোইলেট মফম অনীদা খিন্দুনা থল্লি। অদুগা হেন্না খুদোংচানবা বাইও-দাইজেস টোইলেট মশীং তরাখকসু মপান্দগী চেন্দুনা অথুবা মতমদা প্লাজাগী মফম চাবা য়েংদুনা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলি। বাইও-টোইলেট খুদিংমক সিঙ্গল পিচ ওইদুনা মশাগী ৱাটর রিজার্বর লোইনবা টোইলেট ওইগনি। অহৌবা নুমিৎতা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবসু কংলা পাৎকী অকোয়বদা হিতোংবগী খুদোংচাবা থম্নবা থৌরাং লোয়ননা দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী কাঙবুনা মতম খুদিংমক্তা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবসু অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। পূম্নমকশিং অসি মীচম মীয়ামগীদমক্তনি লৈঙাক্লা অমদি মরুওইবা ওফিসিয়েলশিংনা ৰানা হোৎনরিবা। মায়কৈ অসোমদা য়েংলগা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং অকনবনি খল্লগা ইম্ফাল ইভনিং হিংহনবদা অমদি তুং কোয়না শান্তি লৈনা পাঙথোকপদা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং চাউই হায়নীংই। অহানবা হৌবগী ওইনা গভর্ণর মমাঙদগী হৌরগা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট ৫২গী মনুংদা ষ্টোল ১০২ থম্নবা পান্দম থল্লবসু হৌবা নুমিৎ ফাওবদা শুপ্পগী ষ্টোল ৯২দগী হেন্না রেজিষ্ট্রেসন তৌরখিদে। অদুগা রেজিষ্ট্রেসন ৯২গী মনুংদা ৫৬ খক্তনি অহৌবা নুমিৎতা শরুক য়াখিবা। মতুং তারকপদা হেন্না শরুক য়াখিনি হায়দুনা থাজবা থল্লিবা লৈঙাক্কী থৌওং মপূং ফানা হোৎনমিন্নসি।

অসুম্না ঙসি মণিপুরদা মীয়ামগী পুন্সিদা শান্তিগী লম্বেল নৌনা শেল্লকপা অনৌবা য়াওলনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা হিন্দি সিনেমাগী য়াওল চৎনরিঙৈ লাষ্ট শো হায়দনা লৈরম্বা মতমদু কয়াদা নুংশিখ্রবা। অরোইবা শো য়েংলুরগা নুপা সাইকল মমাঙগী হেন্দলদা খোং থাঙ্গৎতুনা তোংলগা লাকপদা খোঙ শজিং হৌবনা তোংলিবা শেন্দল তাহৌবা খঙদবা, য়ূম য়ৌরবকান্দতা খঙলকপা মতমদো ঙসিগী মীরোলনা উবা ফংলরোই। হৌখ্রবা হিন্দি সিনেমানা অকাউ লৈরোল চনখ্রবসু ইম্ফাল ইভনিংনা অনৌবা নুমিদাংৰাইরমগী মহাও অমা পীবা ঙম্বা ওইরসনু। অদুবু য়ানিংদবা কয়াগী খোল্লাউদি লেপ্পা লৈত্রিবনি। মদুমক ওইদুনসু অনৌবা লৈঙাক্লা য়াৎলিবা ইম্ফাল ইভনিং (নাইট প্লাজা) না মোৎপগী মায়কৈদা, হুরান চিন্থিগী মায়কৈদা অমদি নিল খোংবগী মায়কৈদা অকায়বা অমতদি ওইরোইদ্রা খল্লি। হৌবদা ঙাইহরিবা ওইবনা অফবা লম্বীগী পাউতাক্তি মতম খুদিংমক্তা ঐখোয় পূম্নমক্লা পীবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি খন্নমিন্নসি। অরোইবদা মীয়াম তিনবা মরক্তা য়ূমদা নুংশিনা লোইনরিবা হুই খরা মপান থোক্লা পুথোরকপদুদি খিত্তং ফজবা ৰাৎপ্রা খল্লি। শাদি শানি, মপূখক্তনি নীংলিবা।